# আই এস এল : এফ সী গোৱাবু জমশেদপুর এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে






বম্বোলিম, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সি):
গোৱাগী এথলেটিক ষ্টেদিয়ম, বম্বোলিমদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এফ সী গোৱাবু জমশেদপুর এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা মথং মেটচকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবদগী এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা সুপর লীগ অসিগী ৭৪শুবা মেটচ ওইনা জমশেদপুর এফ সী অমসুং এফ সী গোৱাগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী অহানবা হাফকী শান্নখিবদা টিম অনীমক্না য়াম্না চাং মান্ননা শান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা ঙমখিদে।

মেটচ অদু হৌখ্রবা মতুং মিনট ১৮শুবদা জমশেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবা অমা ফংখি। অদুবু টিম অসিগী অলেকজেন্দরনা দি বোক্স মনাক নক্না ফাউল তৌরুবদগী রেফরিনা মহাকপু বূক তৌখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবগী পাঞ্জল চনবা য়াবগী তাঞ্জা অদু মাঙখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদে।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফকী শান্নখিবদা জমশেদপুর এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি। মদুগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ৪৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী লালদিনলিয়ানানা পাস তৌরকখিবা ফজরবা বোল অমা টিমমেট দেনিএল চুকরুনা ফজনা কন্ট্রোল তৌরগা গোল পোষ্ট তম্না কাওশিল্লকখি। মহাক্না কাওশিল্লকখিবা বোল অদু এফসী গোৱাগী কিপর নবিন কুমারনা থিংনবা হোৎনরবসু ঙমহৌদবদগী পাঞ্জল ওন্থোকখি। মেটচ অদুগী অরোইবা ফাওবদা মখা তানা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু জমশেদপুর এফ সীনা ১-০দা থোইখি।

# প্রোফেসনেল বোক্সিং ইভেন্টতা সর্জুবালা শরুক য়ারগনি হায়না ফোর্মেল ওইনা লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস):
বোক্সিং মশান্নদা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মেদল কয়া লৌদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ কয়ারক হন্না পুরকপা ঙমখ্রবী মণিপুরগী বোক্সর সর্জুবালা মথং থাগী ২৬ তা দুবাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রোফেসনেল বোক্সিং ইভেন্টতা অহানবা ওইনা শরুকয়ারগনি হায়বা ফোর্মেল ওইনা লাউথোকখ্রে।

সিরোই হোল হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা প্রোফেসনেল বোক্সিং ইভেন্টতা শরুক য়ারগনি হায়না ফোর্মেল ওইনা লাউথোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী দি জি পি দোঙেল অমদি ফোর্মর ইন্দিয়ান বোক্সর এন্দ ইন্টরনেসনেল গোল্ড মেদলিষ্ট মুজতাবা কমলনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি জি পি দোঙেলনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা অফবা শান্নরোয় কয়া থোরক্লি। মখোয়শিং অসি য়োকখৎনবা মীয়াম্না হোৎনগদবনি। সর্জুবালা লমদম অসিগীতা নত্তনা ইন্দিয়াগী ওইনা মমিং লৈরবা বোক্সরনি। মহাক্না প্রোফেসনেল ইভেন্টতা শরুকয়ানবা ফিরেপ লৌরকখিবা অসি থাগৎনিঙাইনি হায়খি।

অমরোমদা বোক্সর সর্জুবালানা ফোঙদোকখিবদা, এমেচর বোক্সিংদগী লাপথোক্কুনা প্রোফেসনেল বোক্সিংদা খোঙ থাংজিন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবা অসি ৱাখল মুন্না খন্থরবা মতুংদা লৌরকখিবনি। ঙল্লিঙৈ মতমদা এমেচর বোক্সিং শান্নরম্বা মীওইশিংনা প্রোফেসনেল বোক্সিং অমুক্তংবু শান্নবা হৌখ্রবদি এমেচরদা অমুক হল্লকপা য়াদবগী চৎনবী অমা লৈরম্মী। মসিনা মরম ওইরগা প্রোফেসনেল শান্ননিংবা মীওই কয়া শান্নদনা তোকখিবসু য়াওরি। অদুবু হায়রিবা চৎনবী অসি হৌজিক্তি লৈত্রে। ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবিএ) না চৎনবী অসি লৌথোকখ্রবা মতুং বোক্সর অমনা প্রোফেসনেল অমসুং এমেচর অনীমক শান্নবগী খুদোংচাবা অদু লৈরে। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনদুনা মেদল লৌনবা পান্দম থল্লি হায়খি।




পনবা য়াবদি বোক্সর সর্জুবালা কুমজা ২০১৪ দা কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা আইবা ৱার্ল্ড ৱিমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অমদি কুমজা ২০১১ দা টর্কিদা পাঙথোকখিবা য়ুথ ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। টর্কিদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মহাক্না সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা বেষ্ট বোক্সরগী টাইটলসু ফংখি। ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা চেম্পিয়নশিপ কয়াদসু সজ্বালানা গোল্ড মেদল ফংদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ কয়ারক হন্না পুরকখিবনি।

# মনিথোইবা এফ সীনা এস দব্লিয়ু সী মায়থিবা পীখ্রে

ককচিং, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):
ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ইরেংবন্দ প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কুনা লাক্লিবা ৯ এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মনিথোইবা এফ সী তেকচমনা এস দব্লিয়ু সী কৈরকপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইদুনা মথং মেটকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

ঙসিনুংথিলপুং ৩ তাবদা মনিথোইবা এফসী অমসুং এস দব্লিয়ু সী টিম অনীগী মরক্তা মেটচ অদু শান্নবা হৌখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী শান্নবা হৌগৎলকপদা মনিথোইবা এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নখি। বোল হেন্না পায়রগা শান্নবা ঙমখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ৮ শুবা মিনিটতা মনিথোইবা এফ সীগী অমর্জিৎ (৬) না এস দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মনিথোইবা এফ সীনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা এস দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবদি ঙমখিদে। এস দব্লিয়ু সীনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরিঙৈ মরক্তা মনিথোইবা এফ সীগী বোনিসন (৯) না মেটচকী ১২ শুবা মিনিটতা থুনা য়াঙনা এস দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদা পুশিল্লকখিবা বোল অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা অহানবা হাফ ফাওবদা মনিথোইবা এফ সীনা পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুদসু মনিথোইবা এফ সীনা বোল হেন্না পায়রগা শান্নবা ঙমখি। মসিনা মরম ওইরগা এস দব্লিয়ু সীনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহনখি। মনিথোইবা এফ সীগী হে শিংলবা প্লেয়রশিংনা এস দব্লিয়ু সীগী পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখিবশিং অরেম্বদা তাহনখি। মেটচ অদুগী ৩৫ শুবা মিনিটতা অমুক হন্না মনিথোইবা এফ সীগী প্লেয়র এস জোন্সন (১০) না খোংলৈ থুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুবু এস দব্লিয়ু সীগী ওইনদি মেটচ অদুগী অরোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু মনিথোইবা এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

# অসাম রাইফলসনা স্পোর্টস টুর্নামেন্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস):
ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলস (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা জৌপি বটালিয়ন অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জৌপি ভিলেজদা স্পোর্টস টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা আই জি এ আরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওপরেসন সদভাবনা অমসুং খেলো ইন্দিয়াবু প্রোমোট তৌবা ওইনা স্পোর্টস টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপনি। শান্নবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরুওইবা অমনি। ঐখোয়না হকচাং ফনা অমদি নাদ-য়েক্তনা লৈনবা হোৎনবদা শান্নবা মথৌ তাই। জে ৌপি খুঙ্গংদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা চহী নৌরিবা নহাশিংনা ময়ায় কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোক্না লৈহন্নবগী পান্দমদা স্পোর্টস টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপনি। টুর্নামেন্ট অসিগী মনুং চন্না লোকেল টিমশিংনা ফুটবোল অমদি ভোলিবোল মশান্নদা লম্বা তৌনখি।

স্পোর্টস টুর্নামেন্ট অদুগা মরী লৈননা অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনা শান্নরোয়শিংদা স্পোর্টস কিট অমসুং সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি হায়রি।

# রাফেল নদাল ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেল চঙখ্রে

সিদনি, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্ন সীটিদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা স্পেনিজ মচা রাফেল নদালনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মহাক্কী লম্বা মেটিও বেরেটিনিবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা টেন্নিস ষ্টার অসিনা মহাক্কী মায়োক্নরিবা লম্বা ইটলিগী মেটিওবু ৬-৩, ৬-২, ৩-৬ , ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলগী লম্বীদা চঙশিনখিবনি। লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা রাফেল নদালনা ফাইনেল মেটচ শান্নগনি। ফইেনেল মেটচ অসিদা রাফেল নদালনা রুসিয়ান টেন্নিস ষ্টার দানিল মেদভেদেব লম্বা তৌনরগনি।

ঙসিগী মেটচ অদু থোইরবা মতুং টেন্নিস ষ্টার অসিনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী টার্গেটতি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল অসি লৌবনি। মমাং চহীগী অরোইবা শরুক্তা মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরুবা মরম্না প্রেক্টিস তৌবগী মতম কা হেন্না ফংখিদে। অমদি ম্যাগী ওইবা অনাবা খরনা মরম ওইরগা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনহনখি। মসিনা মরম ওইরগা মহাক্কী মপাঙ্গল শোঞ্জিনখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা ফংলরোইদ্রা হায়না চিংনবা কয়া ফাওখি। অদুবু হৌজিক্তি মহাক ফাইনেল রাউন্দ চঙলবনিনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল মহাক্না শুকশোয় শোয়দনা লৌরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা নদালগী অচৌবা লম্বা ওইগনি হায়না পানরম্বা নোভাক জোকোভিক কোভিদ-১৯গী মরী লৈনবা হিরম খরনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট অসি য়াওবা ফংখিদে। অদুগা রোজর ফেদররনা মশাগী ওইবা অনাবা অমদগী টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। হৌখিবা কুমজা ২০০৯ দা মহাক্না অহানবা ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল অসি লৌবা ঙমখি। অদুবু হন্দকচহী অসিগী ওইনসু মহাক্না টাইটল অসি লৌবা ঙল্লবদি মহাক্কী খ্বাইদগী লাইবক ফবা চহী হায়বদু ওইরগনি হায়খি।

# ষ্টেট লীগতা ক্লাসা এফ সী অমসুং এস এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস):
এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন এন্দ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিন্দুনা হৌজিক হৌজিক লম্প্লোং থোংখোঙদা লৈবা অর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৪ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্লাসা এফ সী অমসুং এস এস য়ু মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১.৪৫ তাবদা ক্লাসা এফ সী অমসুং এস য়ু টিম অনীগী মরক্তা লীগ অসিগী ৬৯ শুবা মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী অহানবা হাফকী শান্নখিবদা টিম অনীমক্না য়াম্না চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অমনা অমবু লাকশিল্লগা শান্নবা ঙমখিদে। বোল পায়বগী চাং অদুম্মক মান্নখি। মসিনা মরম ওইরগা টিম অনীগী মরক্তা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। মেটচ অদু শান্নবা হৌখ্রবা মতুং মিনিট খরা লৈরগা ক্লাসা এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইরমদাইদা ক্লাসা এফ সীগী লুনমিনলেন হাউকিপ (১৮)না এস য়ুগী মায়কৈদা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফকী অরোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবদসু অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে। অশোয়বা তাঞ্জা থিনদুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনদুনা লৈনখি। মেটচ অদুগী ৫০ শুবা মিনিটতা ক্লাসা এফ সীগী লুনমিনলেন অমুক হন্না এস য়ুগী মায়কৈদা পাঞ্জল ১গা অমুক চনবা ঙমদুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। এস য়ুগী মায়কৈদগীসু পাঞ্জলশিং হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না শান্নবা হৌরকখি। মেটচ অদুগী এক্সট্রা টাইমদা শান্নখিবা অদুদা এস য়ুগী লুঙৌসেম কিপজেননা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মেটচ অদু ক্লাসানা ২-১ দা থোইখি।

ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা এস এস য়ু অমসুং য়ু কে বি টিম অনীগী মরক্তা লীগ অসিগী ৭০ শুবা মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী ওইনা অহানবা হাফকী হৌগৎলকপদা এস এস য়ুনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী ১৯ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী এল রোসন (১২)না মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। য়ু কে বিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি। অহানবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং টিম অনী অদু অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। য়াম্না চাং মান্ননা শান্নখি। মেটচ অদুগী অরোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু এস এস য়ুনা পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

# হিয়াংথাংদা ফেষ্টিভেল ওফ থাঙলোন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):
থাঙ তাগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা কাঙলোন অমা ওইরিবা থাঙলোনবু ঙসিগী মীরোলদা মরুওইনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা হেন্না ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা হৈবোক নিংথৌ থাঙ তা এসোসিএসন, হিয়াংথাং তখেল্লম্বমনা শিন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিভেল ওফ থাঙলোন ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দেল্লিগী শেন্থং মখাদা হিয়াংথাংদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী সিন্দমশংদা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা হুইদ্রোম কিরনকুমার সেক্রেটরি থাঙ তা মহৈকোন য়ুম্নাম হুইদ্রোম, শগোলশেম নিংথেমজাও ভাইস প্রসিদেন্ট হৈবোক নিংথৌ থাঙ তা এসোসিএসন হিয়াংথাং তখেল্লম্বম অমদি য়ুম্নাম দিজেন




সেক্রেটরি কংলৈপাক রোয়ল থাঙ তা এসোসিএসন শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দনা মথং শিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরমমপু অমদি অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা সিন্দমশঙ ১০ দগী লাকখিবা থাঙ তা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়ারি। শরুক য়ারিবা থাঙ তাগী সিন্দমশঙশিং অদুদি থাঙ তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোম, কংলৈপাক রোয়ল থাঙ তা এসোসিএসন সগোলবন্দ, হুয়েল লাংলোন থাঙ তা এসোসিএসন মণিপুর, কংলৈপাক থাঙ তা এন্দ কলচরেল একাদমি লাইরিকয়েংবম, অঞ্জিকা সঙাইপ্রৌ, এসোসিএসন ওফ থাঙ তা মার্সিয়ল আর্টস, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ তা এসোসিওসন ককচিং খুনৌ, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ তা এসোসিএসন, থাঙ তা একাদমি ৱাঙ্গোই মখা লৈকায় অমসুং হৈবোক নিংথৌ থাঙ তা এসোসিএসন হিয়াংথাং তখেল্লম্বমনি।

থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা হুইদ্রোম কিরনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, থাঙ তা মশান্না য়োকখৎনবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্না থৌদাং লৌফম থোকই। পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা থাঙ তাবু লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা খঙহনবা য়াম্না মথৌ তাই। পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেল অসিমক য়াম্না মরুওই হায়খি।

# ঙসি ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশ ক্বার্টর ফাইনেল শান্নরগনি

ওসবোর্ন, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯না চৈথেং পীরুবদগী ফীভম ফগৎলকপদা ঙাইরিবা ইন্দিয়া টিমনা অন্দর-১৯ ৱর্ল্ড কপ সুপর লীগতা বাংলাদেশকা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ হয়েং ওসবোর্নদা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী প্লেয়র অয়াম্বা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শোকহল্লুবদগী ফগৎলকপা কুইদ্রি। কোভিদ-১৯না নাহল্লুরবা প্লেয়রশিং অদুগী মনুংদা স্কিপর য়াস ধুল য়াওরি। মহাক নৎতবা অতোপ্পা প্লেয়র মঙাসু হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী আইসোলেট তৌদুনা লৈরি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়াগী স্কৱাদ টিমদা হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসি নৎতবা অতোপ্পা শান্নরোয় ১১ পুথোকপা ঙমখিবনা মরম ওইরগা হয়েং ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ শান্ননবা মতম লেপখিবনি।

য়াস ধুল মশাসু হৌজিক-হৌজিক আইসোলেট তৌরগা লৈবনা মরম ওইরগা মহাক্কী মহুৎ নিশান্ত সিন্ধুনা লুচিংলগা আয়রলেন্দ অমসুং উগন্দাগী মায়োক্তা মেটচশিং শান্নখি। অদুবু ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংনা হৈনা-শিংনা শান্নদুনা হায়রিবা লৈবাক অনী অসিবু মায়থীবা পীদুনা বাংলাদেশকা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মখা তানা শান্নগনি। হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী আইসোলেট তৌদুনা লৈরিবা প্লেয়রশিংগী হকচাংগী ফীভম ফগৎলকখিবগা লোয়ননা নুমীৎ ৪নিদা মখোয়গী আইসোলেট তৌদুনা লৈবগী মতম লোইরে হায়রি।

# কৃষ্টিনা অমসুং ইভাননা মিক্স দবলসকী ৱিন্নর ওইখ্রে

সিদনি, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
মেলবোর্নদা পাঙথোক্লিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিক অমসুং ক্রোএসিয়াগী ইভান দোদিগনা মখোয়গী লম্বা ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান প্যের জাইমি ফোরলিস অমসুং জেসন কুব্লেরবু মায়থিবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন মিক্স দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি, কৃষ্টিনা লাদেনোভিকনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা মিক্স দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা অসি হন্দক্কী অসি থারগা অনীরক শুরে। হৌখিবা কুমজা ২০১৪দা দেনিএল নেষ্টর অমসুং মহাক্না মিক্স দবলসকী টাইটল লৌখিবনি। অমরোমদা, দোদিক গ্রান্দস্লাম মিক্সকী টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙমখ্রবা টেন্নিস শান্নরোয়নি। টাইটল অনীনা ফ্রেঞ্চ ওপনদা অদুগা অমনা ৱিম্বলদনদা লৌখিবনি। দোদিক হন্দক চহীদগী শান্নবা পোত্থারবা য়ানা লৈরি।

# আই সী সী ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী সেদ্যুল্ডদা অহোংবা লৈতে

ৱেলিংটন, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
আই সী সী ৱিমেন্স ও দি আই ৱর্ল্ড কপকী সী ঈ ও এন্দ্রি নেলসননা ফোঙদোকখিবদা, ৱর্ল্ড কপকী সেদ্যুল্ড অমদি মফম হান্না লেপখিবা অদুদগী অহোংবা লৈতে। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ৱর্ল্ড কপ সেদ্যুল্ডদা অহোংবা লৈগদ্রা হায়না খন্নরম্বা অদু ওথোরিটিশিংগা কুপ্না খন্নরবা মতুং মতম অমদি মফম অহোংবা লৈহন্দনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

আই সী সী ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী হোষ্ট ওইরিবা ন্যু জিলেন্দদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোন পাক শন্না শন্দোরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা কপ অসিগী থবক থৌরমদা অয়েৎপা পীরক্তনবা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংগী ওইবা থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

লাক্কদৌরিবা মার্চ ৪দগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ অসিদা অহানবগী ওইনা হোষ্ট ওইরিবা ন্যু জিলেন্দ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজ অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নগনি। অমরোমদা, নেলসননা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ন্যু জিলেন্দদা ওমিক্রোন ভেরিএন্টনা মরম ওইরগা অহেনবা অথিংবশিং থমজিনবা হৌখ্রে। অদুবু ন্যু জিলেন্দ গভর্ণমেন্ট অমদি ও দি আই ৱর্ল্ড কপকী ওফিসলশিংনা খন্নরবা মতুং ৱর্ল্ড কপকী সেদ্যুল্ডদা অকায়বা পীদনবা য়ানখিবনি। অদুম ওইনমক ন্যু জিলেন্দ গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুগী ওইনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা শেমখিবা চৎন-কাঙলোনশিংদি ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিম খূদিংমক্না ইনবা মথৌ তারি।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপত্রিবা শান্নরোয়শিং ৱর্ল্ড কপকী থৌরম অসিদা শরুক য়াবা য়ারোই। য়েংবা লাক্কদবা মীওইশিংসু ভেক্সিন ফুল দোজ কাপথোক্লবশিং ওইগদবনি। শরুক য়াগদৌরিবা টিম-টিমশিংগী প্লেয়রশিংনা মশা-মশাগী মেটচ লোইরবা মতুং আইসোলেট তৌদুনা লৈনবা খঙহল্লকখিবা অদুগী মতাংদদি ন্যু জিলেন্দ গভর্ণমেন্ট অমসুং ও দি আইগী ওফিসলশিংগা চপ চানা য়াশিন্নবা অমা পুরকপা লৈত্রি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# নুমিৎ ৩০ নি চত্থগদবা বোক্সিং কেম্প উখ্রুলদা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):
মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা নুমিৎ ৩০ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা কোচিং কেম্প কম ট্রাইএল সেলেক্সন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোচিং কেম্প অসি মথং থাগী ২৬ ফাওবা উখ্রুলগী ফুংরৈদাং টাউন হোলদা পাঙথোক্কনি। কেম্প অসিদা নুপা বোক্সর ৪৬ অদুগা নুপী বোক্সর ১২ পুন্না বোক্সর ৫৮ না শরুক য়ারি।

কেম্প অসি জে ভি জোলিসন





(এন আই এস স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া) না চীফ কোচ ওইরি। অদুগা এস আর বি এদগী এস সুরেস অমসুং ৱাই প্রিয়োনা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা শরুক য়ারি।

কোচিং কেম্প কম ট্রাইএল সেলেক্সন প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা অর্জুনা এৱার্দি অমসুং ওইরিবী মেম্বর ওফ এৱার্দ কম্মিটি, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া লাইশ্রম সরিতানা অথোইবা মীথুংলেন, ক্যেরটেকর চেয়রমেন এ দি সী উখ্রুল ডা. য়ারোনশো ঙালুংনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা বোক্সিং মশান্নগী মতাংদা কান্নরবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা শান্নরোয় অমা ওইনা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু তাক্তুনা খঙহনখি। লোয়ননা বোক্সিং শান্নবগী কান্নবশিং থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা খঙহনখি। মসিদা নত্তনা মতৌ করম্না মায় পাকপা বোক্সর অমা ওইনবা হোৎনগদে হায়বগী মতাংদসু এক্সপার্টশিংনা থমখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি। পনবা য়াবদি থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবী সরিতা ফোর্মর ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অমনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 360**

**Dahlen, Kirsten - Glessner, Wayne (685)**
**Michigan Novice Auburn Hills, 2005.01.15**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.f4 Nf6 | 3.fxe5 Nxe4 |
| 4.d3 Nc5 | 5.b4 Ne6 | 6.d4 Qh4+ |
| 7.g3 Qe4+ | 8.Be2 Qxh1 | 9.d5 Nd8 |
| 10.Qd2 Qxg1+ | 11.Bf1 c5 | 12.Qf2 Qxf2+ |
| 13.Kxf2 cxb4 | 14.a3 bxa3 | 15.Nxa3 Na6 |
| 16.Nb5 Nb4 | 17.Nc7+ Ke7 | 18.Nxa8 Nxc2 |
| 19.Ra5 b6 | 20. ... | |

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 359 Ans. :**

59. Rxd2 Re1+ 60. Rd1 Rxd1#Opera mate
60. ...Bxd1 61. Kd2 Rh1
61. ...Rf1
59. ...Re1+ 60. Rd1 Rxd1#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com